# মহৈরোইশিংনা এল এম এস লো কোলেজগী প্রিন্সিপালগী কা অমদি এ ব্লোক ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০১৯–২০ অসিগী ওইনা মণিপুরদা লৈবা কোলেজশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ইলেক্সন অসিদা এম এম এস লো কোলেজ চীংমৈরোংগী ওইনা ইলেক্সন প্রোসেসতা অশোয়বা কয়া য়াওরে হায়না মহৈরোইলূপ য়াওনা মহৈরোইশিংনা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালগী কা অমসুং এ ব্লোক ছো লোনশিনখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা মহৈরোই লূপ মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ভাইস প্রসিদেন্ট সাজদ বুয়াময়ুম্না হায়খি, মণিপুরদা লৈবা কোলেজশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী ইলেক্সন অসিগা মরী লৈনবা নোটিশ ওক্তোবর ২৫ দা থোক্লবা এদুকেসন (য়ু) না লাওথোকখি। অদুবু এম য়ুণির্ভসিটিগী মখাদা লৈবা এল এম এস লো কোলেজকী ওইনা নবেম্বর ২ গী নুংথিল পুং ২ গী মতুংদা নোটিশ থোকখি। লোয়নতা নোটিশ থোক্লিবা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৪ দা কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী নোমিনেসন ফাইল তৌবগী অরোয়বা মতম ওইখি।

কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা কনাগুম্বা মীওই খরগা লৌতুনরগা অরানবা মওংদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনরম্বা অসিগী মায়োক্তা ঙসি ছো অসি লোনবনি। ইলেক্সন অসিগী ষ্ক্র্যুটিনি ঙসি তৌগনি হায়না লাওলিবা অসিসু তৌবা য়ারোই। কোলেজকী ওথোরিটিগা এম এস এফ কা য়ানবা অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবা কোলেজ অসিদা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থৌরাং অমত্তা চত্থবা য়ারোই। লোয়ননা ছো লোনশিল্লিবা অসিসু এম এস এফ তান্নরমদনা কনাগুম্বা অমত্তনা থুগাইদুনা চঙনবা হোৎনরম্লবদি মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক ছো তুগাইরিবা অমসুং কোলেজ ওথোরিটিনা পুগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা হিরম অসিগী মতাংদা কোলেজ অসিদা এল এল বি থার্দ সেমিষ্টর তম্লিবা দয়ালক্ষ্মী মোইরাংথেমনা হায়খি, কোলেজশিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ইলেক্সনগা মরী লৈননা এম এম এস লো কোলেজকী ওইনা মীখলগা মরী লৈনবা নোটিশ নবেম্বর ২ গী নুংথিল পুং ২ গী মতুংদা থোকখি। নোটিশ অসিদা নোমিনেসন ফোর্ম ইসু তৌবগী অরোইবা মতম ওক্তোবর ৩১ অমসুং নোমিনেসন ফাইল তৌবগী অরোইবা মতম্না নোটিশ থোকপা নুমিৎ হায়বদি নবেম্বর ২ দা ওইহল্লি।

লোয়ননা মহৈরোইশিংনা পোষ্ট গ্রেজুয়েটতা কেন্দিদেট ওইবা য়াবগী চহী ২৪ দগী ২৫ ফাওবনি হায়না কনষ্টিট্যুসনদা য়াওজরবসু নোটিশ অসিদদি মহৈরোইশিংনা কেন্দিদেট ওইবা য়াবগী চহী অসি ১৭ তগী ২২ ফাওবা ওইরি। অসিগুম্বা কোলেজ ওথোরিটিগী সিষ্টেমেতিক নাইদবা থৌরাং অসি মহৈরোইশিংনা য়াবা ঙম্লোই। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা অশোয়বা ময়াম অসি কুপ্না য়েংশিন্দুনা অনৌবা নোমিনেসন অমা থোকহনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা ঙসি এম এস এফ অমদি এল এম এস লো কোলেজগী মহৈরোই খরনা কোলেজ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী ইলেক্সন অসিদা অরানবা থৌওং চত্থরে হায়না কোলেজ অসিগী এ ব্লোক অমসুং প্রিন্সিপালগী কা ছো লোনশিল্লম্বা অদু এম এম এস লো কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়না ছো ফক্কাইখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এল এম এস কোলেজকী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সোয়াম থোমাসনা হায়খি, কোলেজশিংগী মীখলগা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী ওইনা নবেম্বর ২ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা নোমিসেন ফাইল তৌবগী অরোয়বা মতম ওইখি।

নোমিসেন ফাইল তৌবগী তৌফম থোকপা খুদিংমক কাঙলোন চুপ্না তৌরবা মতুং ঙসি ষ্ক্র্যুতিনি নুমিৎ ওইবনি। অদবু লাইবক থিবদগী ষ্ক্র্যুতিনি অসি পাঙথোকখিদ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা ইলেক্সনগী তৌফম থোকপা ষ্ক্র্যুতিনি অসি অথুবা মতমদা তৌহনবিয়ু।

লোয়ননা কোলেজ অসিদা কনাগুম্বা খরনা কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন লৈনা লৈনা মাংজৌননা পাউ অমত্তা পীদনা এ ব্লোক ছো লোনশিল্লে। থৌওং অসিমক কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্না অকনবা মওংদা কদেম তৌই। থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু হায়খি।

# মাইচৌ খারম থাদোইগী মিতম মায়খুম হাংদোকখ্রে চীং তম অমত্তনি হায়বসি কাউথোক্লহনবা চুমদেঃ জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল,নবেম্বর ৪(এস এন এস)ঃ

চীংমীশিংগী মরক্তা মাইচৌ ওইবা অমখক্তা ঙায়রবা মাইচৌ খারম থাদোই (ফারুইসিম)গী মিতম অমা ঙসি আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খারম পলেল ভিলেজদা মায়খুম হাইদোক্তুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে। চীং তম অমত্তনি হায়বসি হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা কাউথোকহনবা চুমদে হায়না মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

খারম পলেল ভিলেজ ওঠোরিতি অমদি খারম য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়, লৈবাক্কী অচৌবা ইশু কয়াদা নিংথৌবু লমজিংবা মশক নাইবা লাইগী মতিক ময়াই চেনবা মাইচৌশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবনি। চীংমী মরক্তাঅমত্তা ঙায়রবা মাইচৌ অমা ওইরিবনি।

মহাক অসি মরুওইবা মীশক অমা ওইনা মহাক্কী নীংশিং খুভম অসি শেমদবা য়ারোই হায়বা ৱাখলদা মসি শেমগৎলকপনি। মতম অমদা চীং অমসুং তম হায়বা ৱাখল লৈত্রিঙ্ডো চীংমীশিংগী মরক্তগী থোরকপা মাইচৌ অমনি।

মহাক অসি চীং অমসুং তম অসি অমত্তনি হায়বা উৎপা মাইচৌশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবনি। চীং তম ইচিল ইনাউনি পুন্না হিংমিন্নগদবনি, য়েলহৌমী ঙাক্তনি হায়বা পাউজেল পুগদৌরিবা মাইচৌ অসিগী মীতম অমা হাংদোকপা অসি মতম অসিদা য়াম্না তঙাইফদবা ওইরক্লে।

চীং অমসুং তম অমত্তনি হায়বসি হৌজিক্কী মীরোলদা কাউনরকপগুম তৌরে। মতম অসিদা চীং অমসুং তম অমত্তনি হায়বা পাউজেল অসি পীবা তঙাইফদে। মদুগী পাউজেল শন্দোক্কদৌরিবা মাইচৌগী মীতম শাবা অসি লাইবক ফবনি।

মাইচৌ অসিগী মরমদা হেন্না মখা তানা থিজিনবা তঙাইফদে। মাইচৌ ময়াম অসিনা পাল্লম্বা লিক্লম অদুদা চৎনবা হোৎনবা চংই। মীতম অসিগী মপু অসি চীং অমসুং তমগী মীয়ামগী ওইরবনা মসি ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি তৌফম থোকপনি হায়না লৌবা তাই।

মাইচৌ অসিগী মফমদা পীরিবা ইকাই খুম্নবা অসি মীতম মচা অমা শাবখক্তনা ওইরোই। মহাক্কী মরমদা মীয়ামদা মপুং ফানা খঙহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মীয়ামদা মাইচৌ অসিগী মরমদা হেন্না খঙহনগে হায়রবদি খারম পলেল অসি মীয়াম পুনবা মফম অমা ওইহনবা তাই। মসিগীদমক টুরিজম অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা খূৎশম্নরগা থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদবা লৈ।

খারম থাদোইগী মফম অসি কলচরেল হেরিটেজ অমা ওইরবনি হায়না লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টনা লাওথোকখ্রবনি।

লম্বী অসি ফিভম ফৎত্রিবা অসি চে ইবিরকউ লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা তক্লগে। লম্বী অসি শোয়দনা শেম্বা য়াগনি হায়না লৌই।

মফম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজম নৎত্রগা দোনর মিনিষ্ট্রিদগী ফন্দ লৌরগা মাইচৌগী মতিক ময়াই অসি হেনগৎহন্নবা অমদি মাইচৌগী মফমদা ইকাই খুম্নরনবা গেষ্ট হাউসশিং শারগা চাকখুমনচিংবা শানবা মখোয় মখোয়না লাকপা নুংঙাইনবা মফম ওইনা শেমগৎসি হায়খি।

মহাক্না হায়, খারম পলেল ভিলেজ অসি হেন্না চাউখৎ খোঙজেলদা শরুক য়াশিন্নবা লৈঙাক্না পুন্না থবক চঙশিনমিন্নবা চঙই হায়খি।

ঙসি মাইচৌ অসিগী মিতম মায়খুম হায়দোকপা অসিনা লমদম অসিদা ইংথ তপথবা অমদি অপুনবগী শক্তম কন্নবদা মতেং ওইগদৌরিনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর এ সিবদাস শর্ম্মনা হায়, লমদম অসিগী অফাওবা মায়চৌশিংগী ৱাখল্লোন অসি তুংগী মীরোলশিংনা ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা দাইরেক্টর টুরিজম দব্লিউ ইবোহলনা হায়,ঙসিগী থৌরম অসি য়াম্না লাইবক ফবনি। মসিনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী খোঙ্গুল লিনবগী খুদোংচাবা অমা পীবিরে। মফম অসিদা টুরিজমগা মরী লৈননা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা খারম য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আর শাম্যুএল খারমনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা লামটুলগী ফেন্সিংসু রিব্বন কক্তুনা হাংদোকখি।

# লৈঙাক্না শেঙদোক্লবসু মীয়ামগী চিংনবদি কোক্ত্রি এসেমব্লি সেসন কৌদুনা ৱারেপ লৌগদবনি ঃ সি পি আই

ইম্ফাল,নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়রোই, অরোইবা ফিরেপ লৌদ্রিঙ্ডো সেন্টরনা ষ্টেকহোল্ডরশিং তান্নগনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফম ফনা য়াম্না শেঙদোক্লবসু মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরিবা চিংনবদি হৌজিকসু কোকপা ঙমদনা লৈরি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম খুদক্তা কৌদুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইরাবত ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা সি পি আইগী নেসনেল এক্সিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা হায়, লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ কয়া ইশু অসিগী মতাংদা নৈননবগী খুদোংচাবা পীবিদনা লৈরি।

হৌজিক লৈরিবা ইশু অসিগী মতাংদা এসেমব্লিগী মীফম অথুবা মতমদা কৌদুনা ইশু অসিগী মতাংদা খন্নগদবনি হায়না সি পি আইনা দিমান্দ তৌরি। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৭৪ গী মতুংইন্না চহী অমদা এসেমব্লিগী মীফম অসি সিট্টিং ৫০ দগী তাদনা ফমগদবনি হায়বা লৈরিবনি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদি কৌফম থোকপা সিট্টিংগী তাং অসি য়ৌদে। মরম অসিনা মসিগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী চৎনা কাঙলোন থুগায়বনি। মসিমক এসেমব্লি লৈবগী ৱাহল্লোক লৈহন্দবনি হায়খি।

লৈঙাক্না এসেমব্লি মীফম খুদক অসিদগী কৌদুনা হৌজিক লৈরিবা ইশু অসিগী মতাংদা খন্নগদবনি। লৈরিবা ইশু অসিগী মতাংদা মীয়াম অমদি লৈঙাকপু হৌজিকসু অমম্বা মরক্তা লংশিন্দুনা থল্লি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সি এন–আই এমগী মরক্তা তৌনরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙ্ডো ষ্টেকহোল্ডরশিং তন্নগনি হায়না থাজবা পীরে হায়রবসু মসিগী ৱারোইশিন দিসেম্বর ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা হোর্নবিল ফেষ্টিভেল অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাওথোক্কনি হায়বগী ৱাফম অমসু লাক্লি। অরোইবা ৱারোল লাওথোকখ্রবা মতুংদা ষ্টেকহোল্ডরশিং উন্নবগী ৱাহল্লোক লৈরোই হায়না লৌই। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবগী মতম পীবিদনা লৈরিবনি হায়খি। ফিভম অসিনা ষ্টেট অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লকপদগী কন্নবা ৱাফম কয়া খন্নবা দরকার ওই হায়খি।

হৌজিক্কী চীরবা তানফম অসিদা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স কয়া থাজিনলকপা অসিনা করি ৱাহল্লোক পীরিবনো হংখি। মখোয় অসি চীফ মিনিষ্টরনা মপান্দগী হল্লকপনি হায়রগা করিগীদমক মখোয়গী পোষ্টতা হনবগী মহুত্তা মহৈ শঙশিংদা লৈশিল্লিবনো হায়বসি হংনিঙাই ওই। লৈঙাক্না মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়রোই হায়জরবসু মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরিবা চীংনবা অসি কোকহনবদি ঙমদ্রি। মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরিবা চিংনবা অসি কোকহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লৈরিবা ইশু অসি পার্লিয়ামেন্টকী মনুং অমসুং মপান্দা সি পি আইনা ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগা তান্নরগা সেন্টর লৈঙাক্তা তকশিন্নবা শেম শারি।

সি পি আইগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরী দি রাজা লাক্লিবা নবেম্বর ১১ দা ইম্ফালদা লাক্তুনা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মীফম অমদা শরুক য়াদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদ খন্নগনি।

ইশু অসিগা মরী লৈননা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌ–খবা অদু হৌজিক রিভিয়ু তৌবগী ৱাফম লৈত্রি। অরোইবা য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা মীফম কৌরকপদি ৱাহল্লোক লৈরোই। মতম চানা ষ্টেকহোল্ডরশিং তৌরগা তান্নবগী খুদোংচাবা লৌহন্নিংই হায়খি। লোয়ননা রুলিং পার্টিনা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু মপুং ফানা লৌহন্নিংই হায়খি।

# চীংমী অমসুং তমগী নিঙোলশিং চাক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

লাক্লিবা থা অসিগী ৬ দা মাও ইম্ফাল মার্কেটিং কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শীন্দুনা নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা লাইশ্রম খুল্লেন লৈকাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিকী কম্যুনিটি হোলদা চীংমী অমসুং তম্মীগী নিঙোলশিং পূন্না চাক কৌবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়না অকোমলূপকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লূপ অসিগী ভাইস চিয়ারমেন লুৱাং চা চীংখৈঙানবানা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা হায়, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী চৎনরক্লবা নিঙোলশিংবু মবুং মৌপ্পা ওইবশিংনা চাক কৌবগী কুম্মে অসিগী শরুক অমা ওইনা চীংমী অমদি তম্মী ইচিল ইনাওনি হায়বগী খুদম ওইনা চীংমী অমসুং তম্মীগী নিঙোলশিং পূন্না চাক কৌবগী থৌরম অদু পাঙথোক্লবা শিন লাংবনি।

থৌরম অসিদা মরু ওইনা মাওগী নিঙোল অমসুং মৈতৈ নিঙোলশিংবু চীংমী অমসুং তমগী মবুং মৌপ্পাশিংনা চাক কৌদুনা খুদোল পোৎশিং তম্নগনি। মসিগী মথক্তা মমাঙদা থোক্ত্রিবা থৌদোক অমা ওইনা চাক কৌবগী থৌরম অসিগী চানা থক্লবা পূন্নমক চীংমী তম্মী অনী পূন্না থোং থাকপা তৌদুনা চামীন্নগনি। মসিনা ঐখোয় পূন্নমক ইমা অমত্তগী মচানি, ঐখোয় পূন্নমক নুংশি চান্ননা লৈমীন্নসি হায়বগী পাউজেল অদু মীয়ামদা য়ৌওহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা মাও ইম্ফাল মার্কেট হয়েংগী ওইনা নাগামপাল খুয়াথোংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ক্রিমিনেল দিফেমেসন সুট ...

*লমায় ১গী মখা...* লিগেল এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা লৈঙাক্তগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না পাউ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী মমাংদা ইকাই খুম্নবা মাঙহল্লে। মরম অসিনা পাউ অসি ফোঙলক্লিবা পাউগী এজেন্সি অদুগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসন স্যুট অমা থারগনি হায়রি।

অমরোমদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওসু ওইরিবা নাবকী এস পি দব্লিউ বাসু সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ফোঙখিবা পাউচেশিংদা কুমজা ২০১৮ দা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী চাদ ৫০ মণিপুরদা থোক্লি হায়না ফোঙদোক্লরকপা থেংনরে।

হৌখিবা চহীশিংগা য়েংনবদা কুমজা ২০১৮ দা মণিপুরদা এক্সট্রিমিষ্টকা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক্কী মশীং অসি য়াম্না হন্থখি। কুম ২০১৬ দা অসিগুম্বা থৌদোক ২৩৩, কুমজা ২০১৭ তা ১৬৭ অমদি কুম ২০১৮ দা ১২৭ থোকখি।

রেকোর্দকী মতুংইন্না অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা কুম ২০১৮ দা এক্সট্রিমিষ্ট ফাখিবা মশীংগা হায়রিবা চহী অসিদা মণিপুর পুলিস অমদি মণিপুরদা ওপরেট তৌরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখিবা এক্সত্রিমিষ্ট নৎত্রগা মিলিটেন্টশিংগী মশীং দগী হন্থরিবনি।

মণিপুরদা পুলিস অমদি ষ্টেট অসিদা দিপ্লোই তৌরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সিগী থবক্তা মায় ওনশিনলকপদগী এচিভমেন্ট অসি ফংবা ঙমখিবনি হায়না পল্লি।

# আই এমগা ৱারী ...

*লমায় ১গী মখা...* এম এল এ সুবাশচন্দ্রদি হৌজিক চেন্নাইদা লৈরি। হিয়াংলম এ সিগী এম এল এ, ডা রাধেশ্যাম য়ুন্নামনা দিল্লিদা লৈরি। ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা মুম্বাইগী হোস্পিটালদা লৈরি। অন্দ্রো এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা তমেংলোংদা লৈরি। ৱাঙ্গোই এ সিগী এম এল এ, ও লুখোই মণিপুরগী মপানদা লৈখি। চান্দেল এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ দিল্লিদা লৈরি। তাদুবিগী এল কয়াসি মশা ঙমদদুনা লৈ। মাও এ সিগী এম এল এ লোসি দিখো দিল্লিদা লৈরি হায়না পাউ অমনা মখা তারি।

# ময়ূমদা হজ্ঞিনগদবা ইমুং অমা ঙাকপি শেনবিনবা হায় কোর্টনা য়াথং পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

মোব জষ্টিসকী থৌদোক অমদা লৈকাইদগী তাহ্নোকখ্রবা থাংজিং খুলেনগী কাচিখুল ময়াই লৈকাইদা লৈবা মাইবম সঞ্জোয় কৌবা মীওই অমা অমসুং মহাক্কী ইমুংদা ময়ূমদা হজ্ঞিনবা মতমদা মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ঙাকপি শেনবিনবা মণিপুর হায় কোর্টনা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে। লোয়ননা কোর্টকী ওর্দর অদুবু ইন্দবা তারবদি কোনটেম্প ওফ কোর্ট পীগনি হায়খ্রে।

হায় কোর্টকী ওর্দর অদু মাইবম সঞ্জোয় অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা মণিপুর ষ্টেটকী মায়োক্তা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবগা কেস দব্লিউ পি (সি) নম্বর ২৮৭ ওফ ২০১৯ অদু কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা জষ্টিস কে ঐচ নোবিন্না পীখিবনি।

পেটিসন্নরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অদুনা পাল্লিবদি, পেটিসন্নর মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং অসি খৃষ্টান চৎপা মৈতৈনি অমসুং হিন্দু চৎপা মৈতৈশিংনা নমনা খূন্দাবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থাংজিং খুল্লেনগী কাচিখুল ময়াই লৈকাইদা লৈবনি।

হৌখিবা ২০১৭ গী জুলাই অমদা পেটিসন্নর মশা য়াওদনা খুল অদুগী লোকেল ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগী ওইবা মীফম অমা পাথোক্তুনা ২০১৭ গী জুলাই ২৬ তা পেটিসন্নর অদুগী মচা নুপানা শাগৈগী মচল অমা ফাল্লনখি হায়না অরানবা চার্জ তৌদুনা পেটিসন্নর অমদি মহাক্কী ইমুং পুম্বা লৈকাইদগী তাহ্নোক্লবা ৱারেপ্লখি।

ৱারেপ অদু হেক খঙবদগী মখোয়বু ঙাকপি শেনবিনবা পেটিসন্নর মহাক মশানা নুমিৎ অদুমক্তদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সি দা এপ্লিকেসন অমা থাখি। অদুম ওইনমক পুলিসকী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী মতেং পাংখিদে।

মথং নুমিৎ জুলাই ২ গী নুমিদাং পুং ৭ রোম তারকপা মতমদা চৈতুপ, থাঙ অমসুং কৈরোসিন পুদুনা লাকপা য়াম্লবা মীওই ৫০ রোম্না পেটিসন্নরগী ইমুংদা নমদুনা চঙলকপগা লোয়ননা মখোয়বু ফু চৈবগা লোয়ননা লৈকাই অদু খুদক্তা থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি। করিগুম্বা চৎত্রবদি য়ুম মৈ থাদোক্কনি হায়না কিহন খঙহল্লকখি। পামদবা থৌদোকশিং থোরকদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবদগী পেটিসন্নর অমদি মহাক্কী ইমুংদা মরু ওইনা মাল চাং ফাওবা হুন্দল্লম্লগা চেনখি। অদুগী মতুংদা মখোয় ভারাগী কা অমা লৌদুনা লৈরকখি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা পনখি।

পেটিসন্নরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অদুনা মখা তারিবদি, হৌখিবা ২০১৭ গী জুলাই ৫ দা পেটিসন্নরগী অহল ওইরবা অপোকপা অদু খুল অদুদা হন্দুনা ময়ূমদা লৈখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুমক্তদা লৈকাইগী মীওইশিংনা অহল ওইরবা মীওই অদুবু কিহন খংহন্দুনা তাহ্নোরকখি। থৌওংশিং অদু ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসননা পীবা রাইটস টু সেলটর, রাইট টু পার্সোনেল লিবরটি অমসুং ইক্বেল প্রোটেক্সন ওফ লো অদুগী মায়োক্তা পাঙথোকপা ওইনবা পেটিসন্নর মশামক্না হায় কোর্টতা রিট পেটিসন অমা ফাইল তৌখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থাজিল্লকখিবা ক্বাউন্টর সম্মিসন অদু কোর্ট অদুনা কুপ্না হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা পুলিস অমসুং জুবিনাইল জষ্টিস বোর্দনা খুদক্কী ওইবা খোঙথাং লৌখৎতুনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনবগী তঙাই ফদবা অদু পুথোকপগা লোয়ননা ২০১৮ গী জুলাই ১৭ তা থোকখিবা টেহসীন এস পুনাৱাল্লাগী কেস অদুগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না পেটিসন্নর অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংদা মখোয়গী ময়ূমদা হজ্ঞিন্দুনা লৈবদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মখোয়বু হোম দিপার্টমেন্টতা ঙাকপি শেনবিন্নবা ওর্দর থোকখিবনি।

# শ্যামকুমার: তমেংলোংদা হোর্নবিল ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা হোৎনরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

হোর্নবিল উচেক মখল অসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব–দিভিজনগী মনুংচনবা রিয়াংকিলোং ভিল্লেজতসু মরাঙ কায়না ফংই হায়রিবসি মশামক্না চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা হোর্নবিল ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

দ তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং দ রেনফোরেষ্ট ক্লব তমেংলোংনা শীন্দুনা বিফ্রেনদিং দ ইনজেন্টিং ফালকোন হায়বা থিমদা তমেংলোংগী য়ুনিটি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা অমুর ফালকোন ফেষ্টিভেলদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়, লমদম অসিগী মহৌশাগী ওইবা ইকো ফ্রেন্দলি ওইরবা উমং–ৱামংশিং অসিগী মতেংনা টুরিষ্ট কয়াগী পূক্নীং চিংশিনফম ওইবদা নত্তনা মালেমগী অতাংবা উচেক কয়া অমসু পাইরক্তুনা লমদম অসিবু মালেমদা শক তাকপদা অচৌবা মতেং ওইররে। অমুর ফালকোন উচেক অসিনা তমেংলোংদা লমদনফম ওইরিবসি হেন্না মখোয়গা ইনভাইরোনমেন্ট চান্নবা ঐখোয়না হোৎনবা মথৌ তাই। হৌখিবা চহী খরদা তমেংলোংগী খুঞ্জাশিংনা অমুর ফালকোনগী মরু ওইবা খঙলমদ্রবসু ঙসিদি মীয়াম পূন্নমক অমুর ফালকোনগী মরমদা খঙহন্দুনা হেন্না ফবা মায়ওনদা পুরকপা উরে। মসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। উচে অসিগী মতেংনা তমেংলোং অসি অচৌবা টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইরক্লবা মরম ওইরিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, দিপার্টমেন্টগী মখাদা থাদরকপা শেনফম খুদিংমক খুলগী চেয়ার্মেন অমদি মরী লৈনবশিং তান্নদুনা হীরম চুন্না শীজিন্নবা লৈঙাক অসিনা পাউতাক পীদুনা লাক্লি। ফোরেষ্ট এরিয়া মরাঙ কায়হনবা মথৌ তাই। ঝুম কল্টিভেসন তৌদুনা উমং কোকথোকপগী মহুত্তা উমংগী অমাঙ–অতোং নৈনরগা মীয়াম্না থবক তৌবীয়ু। তঙাইফদনা উ য়াম্থৎলবসু উ অদুগী মহুৎ থাগদবনি। মরম চাদনা উমং চাউনা–চাউনা কোকথোকপা থিংবা হায়বসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগী মথৌনি। অমুর ফালকোন হায়বা উচেক অসিদা অয়েৎ–অপন পীদনা মখোয়গী হেবিটেট ওইবা মফম ওইনবা তমেংলোংগী মীয়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। লোয়ননা মায় পাক্না রেডিও ট্রেক্কিং তৌনবা অমুর ফালকোন উচেক ৫ দা জি পি এস হাপখিবা অসি সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎলি।

ষ্টেট অসিগী চীংগী মফমশিংদা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা মফমশিং হেন্না শেমগৎনবা সেন্টরদা লুপা ক্রোর ৩০ গী বদজেট শেল্লগা প্রোপোজেল থানবা হোৎনরগনি। অদুবু লৈঙাক্না পায়খৎপা থবকশিংদা মীয়াম্না অচৌবা মতেং চঙই। লম্লক্তা লৈবা শা উচেক হাৎতোকপনা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীরিবনি।

হোর্নবিল উচেক্কী ফেষ্টিভেল নাগালেন্দদা চাউনা পাঙথোক্লি। অদুবু উচেক মখল অসি তমেংলোংগী রিয়াংকিলোং ভিল্লেজদসু মরাঙ কায়না ফংই হায়না তমেংলোং মীয়াম্না ফোঙদোক্লিবসি হকথেংননা য়েংশিল্লগা তমেংলোংদসু হোর্নবিল ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা টুরিষ্ট স্পোট মফম ওইনবসু হোৎননবা চীফ মিনিষ্টরগা খন্নরগনি। টুরিষ্ট কয়াগী পূক্নীং হুবা মফম ওইরিবা তমেংলোংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অচৌবা মীৎয়েং থল্লি। লোয়ননা তমেংলোংদা ফংলিবা কোল্লা মখল অসি য়াম্না হাওবা মখলনি। নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অসিদসু মিনিষ্টর মশামক শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নবা মীথুংলেন ওইখিবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিসনার আর্মষ্ট্রোং পামেনা হায়, ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা মিনিষ্টরশিং য়াওনা মরু ওইনা পাঙথোক্লিবসি অমুর ফালকোননা অচৌবা মরমনি। তমেংলোংগী মীয়াম্না অমুর ফালকোন হাৎলগা চারে হায়না নাপল তৌবরোমদা চৎলোইসি। লৈঙাক্না মরু ওইনা লৌরিবা উচেক মখল অসিবু হাৎতোক্লগা চাবা মীওই থেংনরবদি চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। তমেংলোংদা লৈরিবা মহৌশাগী ওইবা ফজবা কয়া অমদি হীরম কয়াদা শেমগৎপা য়াবশিং লৈঙাক্কী মফমদা থমদুনা শেমগৎহন্নবা হোৎনরি। তমেংলোং মীয়াম্নসু ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্ট তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পি সি সি এফ অমসুং ঐচ ও এফ এফকী কে অঙামিনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা খুঞ্জাশিংনা মেমোরেন্দম অমসু রেনফোরেষ্ট ক্লব তমেংলোংগী মায়কৈদগী মিনিষ্টরদা পীশিনখি। নৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ কয়া অমসু উৎখি।

# পুলিস ওফিসিয়েলশিংদা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অমদি চাইল্ড সেক্সুয়েল এবুসকী মরমদা ত্রেনিং পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

এ এক্স বি সুরকশানা মরু ওইবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পুলিস অমদি মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটরসকা খূৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা পুলিস ওফিসিয়েলশিংবু হ্যুমেন ট্রাফিকিং অমদি চাইল্ড সেক্সুয়েল এবুস করম্না ঙাকথোক্কনি অমসুং থেংনগনি হায়বগী হিরমদা ত্রেনিং পীবগী থৌরম অমা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলস পেরেদ গ্রাউন্দা লৈবা বেঙ্কুইট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরকশাগী প্রোগ্রাম মেনেজর সাটয়া প্রকাস, এদিস্নেল দি জি পি, টু গুইতে, আই জি পি, কে রাধাশ্যাম, দি আই জি, ঐচ টি গুইতে অমসুং সি আই দি ক্রাইম ব্রাঞ্চকী এস জি জোয়সি লালরেমমাৱিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরকশাগী প্রোজেক্ট ওফিসার ৱুংগ্রে আই এস ও শাংহানা হায়, এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরকশাগী মুক্তি হায়রিবা প্রোজেক্ট অমদি মখাদা পুলিস ওফিসারশিংবু হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অমদি চাইল্ড সেক্সুয়েল এবুস করম্না ঙাথোক্কনি অমসুং থেংনগনি হায়বগী মরমদা ত্রেনিং পীদুনা কেসশিং থেংনবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা ষ্টেট লেভেল ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপনি।

প্রোগ্রাম অসিদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী পুলিস ওফিসারশিংগী মীহুৎ শরুক য়ারি। পুলিস ওফিসারশিংসু ত্রেনিং পীনবগী পান্দমদা মপানগী রিছোর্স পার্সন কয়া শরুক য়ারি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা পুলিসশিংনা মীয়ামগা অফবা মরী থম্নদুনা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং অমদি চাইল্ড সেক্সুয়েল এবুজকী কেসশিং থেংনবদা হেন্না খুদোংচানবনি। লোয়ননা ষ্টেন্দর্দ ওপরেসন প্রোসিদ্যুর (এস ও পি) অমসু শেমদুনা মথৌ তৌহল্লগনি। মসিনা রেস্ক্যু তৌরবা ভিক্তিমশিংদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরকশাগী সাটতা প্রকাসনা জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট (২০১৫) কী মরমদা, এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরকশাগী প্রোজেক্ট ওফিসার ৱুংরৈসো শুংহানা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স এক্ট (পোক্সো) গী মরমদা অমদি এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরকশাগী প্রোগ্রাম মেনেজর সাটয়ানা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মরমদা ৱা ঙাংলদুনা পুলিস ওফিসারশিং ৱাখল তাহনখি।

# স্মার্ট ফোন ফিল্ম মেক্কিং ৱার্কসোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এফ টি আই আই), পুনেগী স্কিল্লিং ইন্দিয়া ইন ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন হায়বা প্রোগ্রাম অমগী মখাদা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী মার্স কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা চত্থগদবা স্মার্টফোন ফিল্ম মেক্কিং ৱার্কসোপ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসার অমর য়ুম্নাম্না চীফ গেষ্ট, এফ টি আই আই গী কোর্স দাইরেক্তর অজমিল জামিনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি মাস কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. মীনাকুমারি অঙোম্না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# উকিলশিং ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ

হৌখিবা নবেম্বর ২ দা দিল্লিগী তিশাজারি কোর্ট কমপ্লেক্সতা পুলিস অমদি উকিলশিংগী মরক্তা নিংঙাই শাংদানরকপগী থৌদোক অমদা উকিল অনী পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদগী অশোক অপন নংহনখিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসি ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স মমাঙদা উকিলশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্রনা ফোঙদোকপদা, দিল্লিদা পুলিস অমসুং উকিলশিংগী মরক্তা নিঙাই শাংদানবগী থৌদোক অমদা পুলিসকী কা হেনবা থৌওং চত্থদুনা নোংমৈ কাপ্পদগী য়ুনিফোর্মদা লৈরিবা উকিল অনী শোকখিবা অদুমক লাইবক থিবা থৌদোক্লি। উকিল হায়বা অসি মীয়ামগীদমক্তা লো ঙাক্লবা এজেন্সি অমনি। লো ঙাক্লবা এজেন্সি অমা ওইরিবা পুলিসশিংনা খূৎলাই পায়দুনা উকিলশিংগী মথক্তা অহেনবা শক্তি শিজিন্নদুনা অশোক অপন নঙহনখিবা অদু কন্দেম তৌই।

# মণিপুরদা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংগী ওইবা...

*লমায় ১গী মখা* ...ওইগদবা সেন্টর অসিগী পার্মনেন্ট ওফিস শাগৎত্রিঙ্ডো কা ৭ রোম লৈবা বিল্ডিং অমা থিরগা সেন্টরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শাগৎপা লোইদ্রিবা ফাওবা থবক হৌনবা অয়াবা মিনিষ্টরনা পীরমখি।

মসিদা নত্তনা মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈরবা অহল ওইরবশিংদা এইদ অমদি এপ্লাইয়েন্সশিং পীরিবা স্কিম অমা ওইরিবা রাষ্ট্রিয় ভয়োশ্রী যোজনা অসি হান্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৬ খক্তদা পায়খৎলম্বা অদু দিষ্ট্রিক্ট ১৬ মক্তা থবক পায়–খৎপা য়ানবা হোৎনবীনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী পুখৎখিবা প্রপোজেল অমসু মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী মদু থবক ওইনা ওহোল্লবা অঙ্গম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি হায়রি।

কম্পোজিট রিজনেল সেন্টর অসিদা মপুং ওইনা হকচাংগী ফিভম তোঙানলবশিংগী রিহেবিলিতেসন সর্ভিস পীবা, মেনপৱার দিভলপমেন্টকী থবক পায়খৎপা লোয়ননা মীওই কাঙলুপ অসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙাবা হিরমশিংদা দিপ্লোমা কোর্স হাংদোকপা অমদি অতেনবা মখলগী কোর্সশিং হাংদোক্লবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি হায়রি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর কৃষনপাল গুজারনা হায়, নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসি হেক লাকপদগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি।

মমাঙগী টার্মদসু মিনিষ্টর কয়া থাদুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী অৱাৎ অপা কয়া য়েংশিনবগা লোয়ননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্দুনা শোত্থরিবা সেক্টর অদু ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

সেন্টরনা পায়খৎলিবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়াগী কান্নবা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনদুনা চঙশিনলক্লিবনি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি সেন্টরনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মীৎয়েং চংবগী চাং য়াম্না ৱাৎলম্না চাউখৎ থৌরাংদসু থিজ্জদুনা লাক্লমনি।

সেন্টরনা পায়খৎলিবা স্কিম কয়া অসিগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ওফিসিয়েলশিংদা পাউতাক পীখি। ষ্টেট অসিদা হকচাংগী ফিভম তোঙানলবশিংগীদমক অমদি ওবিসিগী কাঙলূপতা লৈরবা মীওইশিংগীদমক করি করি থৌরাংশিং পায়খৎলিবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবা চংই অমদি অৱাৎ অপা লৈরবসু মদু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মীফম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি হেক লাকপদগী সেন্টরগী মিনিষ্টর কয়া ইম্ফালদা লাক্তুনা স্কিমশিং হকথেংননা য়েংশিনবা অসি থাগৎলি। মখোয়না অৱাৎ অপা কয়াগী মরমদসু য়েংশিনবীদুনা মীয়ামদা হেন্না কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনবীবা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

# নো ইয়োর ষ্টেট ...

*লমায় ১গী মখা...* হৌগনি। হেলিকোপ্টর তোংবগী মতম মিনিট ২০ ওইগনি।

হেলিকোপ্তর তোংহনবগী মতম অমদি নুমিৎ জোর্নেল এদুকেসন ওফিসারশিংদা মতমগী মতুং ইন্না খঙহলক্কনি হায়না সমগ্রা সিক্ষাগী ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

# কবুইশিং য়াওনা ...

*লমায় ১গী মখা...* তংদু–লৈতাদবা অমদি চিংনবশিং অসি কোকহনবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা, লোং লিভ মণিপুর, ৱি ৱান্ট ইন্টিগ্রিটি, কবুইদি কবুই অদুম ওইগনি হায়বনচিংবা প্লেকার্দ কয়ামরুমসু পায়খি।

কৈশামথোং কবুই খুল, সঙাইপ্রৌ কবুই খুল, কখুলোং, মুজি খুল, কৈখু কবুই খুল, শওম্বুং খুঞ্জাউ, সওম্বুং খুন্নৌ, রগাইলোং, চীংমৈরোং কবুই খুলনচিংবা তম্পাক্কী কবুই খুলশিংদসু পাক শন্না খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দো–নাগা পিছ টোল্ক অসিনা লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তমদা কায়হল্লকপা য়াই হায়না চিংনবা লৈবদগী কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু কোনুং মমাঙদা শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা চেকশিন মীফম ফমখি। লোয়ননা শিংজমৈ মখা মোংখাঙ লম্বী অমদি নম্বুল কৈথেলনচিংবা মফমশিংদা চেকশিন মীফম ফমখি।